# ইটালিগী খ্বাইদগী নৌবা য়ুহা হাবনা ময়ায় থংবা চহীশিংদা শারস্বা চর্চশিং, বিল্ডিংশিং মাঙহন-তাকহনখ্রে



রোম, ওক্টোবর ৩১ :
নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা ইটালিবু নিকহনখিবা অকনবা য়ুহা হাবা অমনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা পুৰারীগা শাগোন্নবা চর্চ কয়া অমসুং অতৈ লেন্দ-মার্ক বিল্ডিং কয়া মাঙহন-তাকহনখ্রে।

ইটালিগী খ্বাইদগী নৌবা য়ুহা হাবা অদুদা মাঙহন-তাকহনখিবা চর্চ অমসুং বিল্ডিং খরদি (পুৰারীদা) ময়ায় থংবা চহীশিংদগী লৈরক্লবনি হায়রি।

য়ুহা হাবা অদুনা মরম ওইরগা মী শিবগী পাউ অমত্তা লৈখিদে অমসুং শুপ্ননগী মীওই ১০ দমক অশোক-অপন নংখি, তৌইগুম্বসুং বিল্ডিংনচিংবা নিংখাইখিবা অমসুং মাঙহন-তাকখিবগী চাংদি য়াম্না ৰাংখি।

প্রেসিদা চীংগী নাকনদা লৈবা সেমিত্রিগী ৰালশিং সেন্ট ইয়ুটিস্যসকী অবিগী মথক্তা তাশিনখি। অবি অদু মঙাশুবা চহীচাদা সিরিয়াগী লাইনিংবা কাঙবু অমনা লিংখৎখিবনি।

সেন্ট্রেল রিজন লে মার্চেসতা লৈবা অরিবা টাউন অর্কুৰাটা দেল ত্রোন্টোসু য়ুহা হাবা অদুদা ফীভম থীনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে। অরিবা টাউন অসি ১৩শুবা চহীচাগী চর্চকা লোয়ননা সেন্ট ফ্রান্সিসতা কখোকখি। হৌজিক কাশলদুদমক অতৈ বিল্ডিংশিংগী অকায়-অতোই মরক্তা লেপ্পুনা লৈরি।

পোর্ক সোসেজশিংগী হৌরকফমনি হায়না খন্নজবা সিটি অমা ওইরিবা নোর্সিয়াদা খ্বাইদগী মরু ওইবা চর্চ অহুম শাথিনা অকায়-অতোই থোকখ্রে হায়রি।

করাবিনিয়েরি আর্ট স্কৱাদনা কম্পাইল তৌবা প্রিলিমিনরি লিষ্ট অমগী মতুং ইন্না, সেন্ট বেনেদিক্ট ওফ নোর্সিয়াগী ১৪শুবা চহীচাগী বেসিলিকা হান্নাদগী মমাঙদা থোকখিবা য়ুহা হাবশিংদা অমাঙ-অতা থোকখিবদু হৌজিক্তি মপুং ফানা নিংখাইরে হায়বা য়ারে। শুপ্নগী ময়ায়দমক লেপ্পুনা লৈহৌরি। ১৬শুবা চহীচাগী সেন্ট মেরি অরজেন্টিগী কেথিদ্রল অমসুং হান্নগী গোথিক চর্চতগী কনসর্ট হোল ওইরকখিবা ক্বার্টরসু য়ুহা হাবা অসিদা নিংখাইখ্রে। ১৫শুবা চহীচাগী চর্চ অমা ওইরিবা কেম্পীদা লৈবা সান সালভাটরসু য়ুমশকৈশা নুমিৎকী য়ুহা হাবা অদুদা মপুং ফানা অকায়-অতোই থোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎকী য়ুহা হাবা অদু হন্দক থোকখিবা য়ুহা হাবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না শাথিখি। মদু রিক্টর স্কেলদা ৬.৫ ফাওবা য়ৌনা কনখি হায়না ইটালিগী নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ জিওফিজিক্স এন্দ ভোলকেনোশিংনা হায়রি। য়ুহা হাবা অদুনা ইটালিয়ন বুট মশাং অপুন্বা নিকহনখি। লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৭.৪০ দা থোকখিবা য়ুহা হাবা অদুনা খ্বাইদগী কন্না শোকহনখিবদি লে মার্চে অমসুং উমব্রীয়া ওইখি হায়রি।

## ‘বস দ্রাইভর হাংখিবা মীশক হান্না মেন্টল পেসিএন্ট ওইরম্মী’

মেলবোর্ন, ওক্টোবর ৩১ :
ইন্দিয়াদগী হৌখিবা বস দ্রাইভর অনমীট অলিশরবু বৃসবেনদা মৈ চাক্কনবা মহী অমা শিজিন্নদুনা মৈ থারগা হাংখিবা মীশক্নি হায়না মরাল শীখ্রবা চহী ৪৮ শুরবা নুপাদু হান্না ৰাখল লায়নাগী পেসিএন্ট অমা ওইরমখি হায়না কনফার্ম তৌখ্রে।

ষ্টেট হেল্‌থ মিনিষ্টর কামেরন দিককী মতুং ইন্না, এন্থোনি মার্ক ইদৰার্দ ও’দোনুহ্যয়ে হায়রিবা মীহাৎপা অদু ক্বীন্সলেন্দ হেল্‌থকী মেন্টল হেল্‌থ সার্ভিসেসতা ট্রিটমেন্ট তৌখ্রবনি। ও’দোনুহ্যয়েদা পীরিবা ট্রিটমেন্টদুগী মরমদা ইন্দিপেন্দেন্ট এক্সটর্নেল ইনক্বারি অমসু হৌরগনি হায়না মিনিষ্টরনা লাউথোকখ্রে।

দিকনা হায়খি, মহাক্কী ট্রিটমেন্টকী মতাংদা ইন্দিপেন্দেন্ট ইনভেষ্টিগেসন অমা ফোরেন্সিক সাইকিয়াট্রিষ্ট পোল মুলেননা কন্দক্ট তৌগনি অমসুং মদু চয়োল নিপানগী মনুংদা মপুং ফানা লোইশিনগনি। ইনভেষ্টিগেসন অসিগী রিকম্মেন্দেসনশিং অমসুং ফাইন্দিংশিং য়ারিবমখে মীয়ামদা ফোঙদোক্কনি হায়না দিকনা হায়খি।

# ইরাননা ট্রেনিং পীবা মিলিস্যাশিং য়ু এসনা শৌগৎপা কেম্পেনদা য়াওশিনখ্রে



বাঘদাদ, ওক্টোবর ৩১ :
নোংমাইজিং নুমিৎতা ইরাকি ফিরালশিংগা লোয়ননা সিয়াইটকী বেন্নরশিং উৎপা নোংমৈগী ত্রকশিং অমসুং হম্ভীশিং লাইনিং লাইশোলগী ঈশৈশিং হৌনা খোঙলদুনা মোসুল তাগদবা হায়ৰে অমদা অৰাং পাংনা পরেং ওইনা থৌখি।

কনভোইশিং অদু মোসুলবু ইস্লামিক ষ্টেটতগী নৌনা লৌশিন্নবগীদমক্তা চত্থবা য়ু এসনা শৌগৎপা ওফেন্সিভ লানবুংদা অনৌবা প্লেয়র অমা উরকপগী অহানবা শেংলবা সাইননি। অচৌবা প্লেয়র অদুদি হশিদ সাবি নৎত্রগা পোপ্যুলর মোবিলাইজেসন ফোর্সেস (পি এম এফ) নি। সিয়াইট মিলিস্যাশিংগী কোলিসন অমনি। কোলিসন অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর হাইদর অল-অবাদিদা ওফিসল ওইনা রিপোর্ট তৌরবসু মসি অয়াম্বনা ইরাননা ট্রেনিং পীবা গ্রুপশিংনা শেমই অমসুং ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়াতোলা অলি খামেনৈদা লোয়েল ওই।

সিয়াইট কোলিসন অসি ইরানগী রিভেলুস্নরি গার্দশিংগী এক্সত্রা টেরটরিয়েল পাম্বোম অমা ওইরিবা ইরানগী কুদস বৃগেদকী কম্মান্দর জেনরেল কাসেম সোলৈমানিগা অনকপা মরীশিং লৈনৈ। জেনরেল অসি হৌখিবা চয়োলদা মোসুলগী অকোয়বদা লৈরিবা ফ্রন্টলাইনশিং টুর তৌবা উখি।

অর্টিলিরি কেননশিং, কম্যুনিকেসন টৱারশিং অমসুং হন্দক্তা ইস্লামিক ষ্টেটতগী নৌনা লৌশিনখিবা বিল্ডিংশিংদা পায়বা উবা বেন্নরশিংগী মরক্তা কাটাইব হেজবোলা অমসুং অসাইব অহল অল-হককী বেন্নরশিং য়াওরি। গ্রুপ অনী অসি ইরান্না শৌগৎপা মরু ওইবা গ্রুপশিংগী মরক্তগীনি। হায়ৰে অদুগী নাকলদা কিলোমিটর কয়ামুক শাংনা মখুল ময়াম তৌবা উবনা নুমিৎ খরনিখক্কী মমাঙদা হায়ৰে অদুদা মাইন কয়া ফুল্লম্মী অমসুং মখোয়বু লৌথোকপদা ফোর্সশিংনা অৰাবা কয়া নংখি হায়বদু উৎলি।

# ‘রিজোল্যুসন শৌগৎলবদি ইজরেলনা ৱেষ্ট বেঙ্ককী সেট্টলমেন্টশিং লৌশিনগনি’



জেরুসালেম, ওক্টোবর ৩১ :
সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা লোনা য়াদবা মওংগী সেট্টলমেন্টকী এক্টিভিটিশিংবু মখা কন্দেম তৌবা রিজোল্যুসন অমা য়ু এননা অয়াবা পীবা তারবদি ইজরেলি সেট্টলরশিংগী ময়ুম ওইরিবা ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা ওকুপাইদ টেরটরি-শিংদা ইজরেলনা সোভরেন্টি লাউথোক্কদবনি হায়না ইজরেলগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

জুদিয়া অমসুং সামারিয়াদা লোনা য়াদবা মওংদা পায়খৎলিবা কন্সট্রক্সনগী থবকশিংগা মরী লৈননা ইজরেলবু কন্দেম তৌহন্নবগী পান্দমদা হৌখিবা চহী কয়ামুক অসিদা পালেষ্টিনিয়নশিংনা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা নাকন নাম্মতগী ওইবা রিজোলুসন কয়া পুথোকখি। মালেমনা প্রেসর পীবনা জ্যুৰিশ ষ্টেটকা পিছ সেট্টলমেন্টকী ৰারী শানবদা খুদোংচাহনগনি হায়না পালেষ্টিনিয়নশিংনা থাজে।

হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা পালেষ্টি-নিয়ন লিদর মাপুমৌদ অব্বাসনা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিদা পালেষ্টাইননা সিক্যুরিটি কাউন্সিলবু জ্যুৰিশ সেট্টলমেন্টশিং ইলিগেল ওই হায়না লাউথোক্কদবা রিজোল্যুসন অমা পাস তৌহন্নবা অমুক হন্না হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা দিবেটশিং মখা তানা চত্থবগা লোয়ননা ইজরেলি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর নাফটালি বেন্নেটনা হীরম অসিগী মতাংদা য়ু এন এস সিনা রিজোল্যুসন লৌনবা হোৎনরক্লবদি সেট্টলমেন্টকী এরিয়াশিং লৌশিন্নবা শেম-শানবা ইজরেলশিংদা তকশিনখি।

‘লাক্লিবা থা খরা অসিদা সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা ইজরেলগী মরমদা রিজোল্যুসন অমা নমদুনা লৌনবগী খন্ন-নৈনবা অমা লৈরে। করিগুম্বা মদু থোক্লকপা তারবদি মতীক চাবা জিওনিষ্ট রেস্পোন্স পীগদবনি। অতৈ মফমশিং য়াওনা খুদক্তা জুদিয়া অমসুং সামারিয়াগী মথক্তা সোভরেন্টি লাউথোক্কনি হায়না মিনিষ্টর অসিনা জেরুসালেমদা পোলিটিকেল মীটিং অমদা হায়খি।

‘য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসন অসি থবক্তা ওন্থোক্লবগী ত্রিগর অমা ওইহনগদবনি’ হায়না বেন্নেটনা হায়খি। ‘ইজরেলগী লমদা ঐখোয়গী সোভরেন্টি চাউথোকহনবগী মতম ওইরে।’

## পাকিষ্টানগী সুপ্রিম কোর্টনা ৱাখল লায়না লৈবা অমগী শিবগী চৈরাক ষ্টে তৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ৩১ :
শিবগী চৈরাক পীখ্রবা চয়োল অসিদা হাৎননবা মতম লেপখ্রবা ৱাখল লায়না লৈবা মীওই অমা পাকিষ্টানগী সুপ্রিম কোর্টনা অরোইবা মীৎকুপ য়ৌরমদাইদা ষ্টে তৌখ্রে। শিবগী চৈরাক ফংলবা মীওই অদুগী উকিলশিংনা মখোয়গী অরোইবা লিগেল পান্থেশিং শিজিন্নদুনা রুলিং অদুবু চেল্লেঞ্জ তৌখিবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা চৈরাক্কী ওর্দর ষ্টে তৌখিবনি।

উকিলশিং অমসুং রাইটস গ্রুপশিংনা হায়রি মদুদি, কনভিক্ট তৌরিবা ইমদদ অলি কৌবা মীওই অদু জেলদা লৈরিঙৈ কুমজা ২০১২ দা স্কিদজোফ্রিনিয়ানা নারে হায়না দাইগনোজ তৌখি। অসুম্না মহাক্কী ক্রাইম অমসুং চৈরাক মশানা খঙজদবা মরম্না মহাকপু হাৎপা য়ারোই (শিবগী চৈরাক পীবা য়ারোই) হায়না রাইটস গ্রুপশিং অমসুং উকিলশিংদুনা কোর্টতা ফোঙদোকখি।

সুপ্রিম কোর্টকী রুলিং অমগী মখাদা মহাক হান্না নভেম্বর ২ দা হাৎননবা লেপখিবনি। স্কিদজেফ্রিনিয়া অসি দ্রগনা লায়েংবা য়াবা ফহনবা য়াবা লায়না অমনি হায়না রুলিং অদুদা পনখি।

হৌজিক অনৌবা লিগেল চেল্লেঞ্জ অদু নভেম্বরগী অনীশুবা চয়োলদা হিয়ারিং তৌরগনি হায়না অলিগী কাউন্সেল পীরিবা জষ্টিস প্রোজেক্ট পাকিষ্টান (জে পি পি) গী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

অলিবু কনভিক্ট তৌখিবা মফম পঞ্জাব প্রোভিন্সকী গভর্ণমেন্টনসু কনভিক্সন অদু চংনহন্দনবা হোৎনরি হায়না গ্রুপ অদুনা মখা তাখি।

নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কুমজা ২০০১ দা শিবগী চৈরাক পীখিবা অলিনা জেলগী শিবা ঙাইফম ব্লোক্তা চহী ১৪ মতম লেন্দুনা লাকখি। মহাক স্কিদজোফ্রিনিয়ানা মরম ওইদুনা জেলগী হোস্পিটালদসু মথন্তা চহী অহুম থমখ্রবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৩ গী গভর্ণমেন্টকী মেদিকেল রিপোর্ট অমদা অলিবু ঙাওরে হায়না ফোঙদোকখি। অমরোমদা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর অমসুং ওক্টোবরগী রিপোর্টশিংদা মহাক লায়েংবদা চঙদ্রবা কেস অমা ওইরবা সাইকোটিক অমসুং সাইকিয়াট্রিষ্ট অমনি হায়খি।

# বাংলাদেশতা হিন্দুগী লাইশঙ ১৫ দা এটেক তৌখ্রে



ধাকা, ওক্টোবর ৩১ :
ফেসবুক্তগী ইস্লামবু থওই-উশিত্তনা তৌই হায়বা মরাল শীবা ৱাফমশিংগা মরী লৈননা বাংলাদেশতা য়ামদ্রবদা হিন্দু লাইশঙ ১৫ এটেক তৌখিবগা লোয়ননা মুস্লিমশিংনা মশিং য়াম্বা লৈবাক অদুদা মাইনোরিটি কম্যুনিটি অদুগী মরক্তা মীপাইবা পোকহনখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎতা ব্রহমান-বারহিয়া দিষ্ট্রিক্টকী নসিরনগরদা লৈবা লাইশঙশিংদা চঙদুনা থুগায়-খোৎকায়বা অমসুং মাঙহন-তাকহনবগী থবকশিং চত্থখ্রে লোয়ননা এরিয়া অদুদা লৈবা হিন্দুশিংগী য়ুম ১০০ হেন্নসু লুট তৌখ্রে হায়রি।

পুং কয়ামুক চরাংনবা মথোং-মরম খঙদবা ফীভম লৈরক্লবা মতুংদা হবিগঞ্জগী মাধাবপুরগা থংনবা মন্দির অনীসু এটেক তৌখি হায়না পুলিস অমসুং ৱিটনেসশিংনা ফোঙদোকখি।

এটেক অদুদা চেন্নবনি হায়বা মীওই তরুক ফাগৎখ্রে। নসিরনগর অমসুং মাধাবপুর উপাজিলা হেদক্বার্টরসতা পেরামিলিটরি বোর্দর গার্দস বাংলাদেশ (বি জি দি) গা লোয়ননা রেপিদ এক্সন বট্টালিয়ন, পুলিস অমসুং আর্মর্দ পুলিস দিপার্টমেন্ট দিপ্লোইদ তৌখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অদুগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর রেজৱানুর রহমন অমসুং সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস মিরজানুর বহমননা তুংদা নুংথিলদা এরিয়া অদুবু য়েংশিনখি।

তৌইগুম্বসুং লোকেল হিন্দু কম্যুনিটিগী লিদরশিংনা কাঙলুপ অসিগী মীওইশিংদা মীপাইবা পোকপা ঙমদ্রি হায়খি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী এটেক অদু কুমজা ২০১২ দা কোক্স বজারদা বুধিষ্ট কম্যুনিটি অমদা এটেক তৌখিবা কাঙবুশিংগী থৌওংদুগা মান্নখি। এটেক অদুসু ইস্লামবু ফেসবূক্কী পোষ্টকী খুত্থাংদা উশিত্তবা উৎখি হায়বা মান্নবা এলিগেসনগা মরী লৈননা চত্থখিবনি।

লোকেল মীওইশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি, নসিরনগরগী থৌদোক অদু হরিপুর য়ুনিয়ন অরিশদকী মখাদা লৈবা হরিনগর ভিলেজদগী রাসরাজ দাস কৌবা অমগী ফেসবূক পোষ্ট অমগা লোয়ননা হৌখি।

ইস্লামবু মহাক্না থওই-উশিত্তনা তৌখি হায়বা এলিগেসনশিংদুগী মতুং খুদক্তা ইরাই নুমিৎতা পুলিসনা রাসরাজবু ফাজিন্দুনা থমখি। কোর্টকী ওর্দর অমগী মতুং ইন্না মহাকপু জেলদা থাজিনখি হায়না এস পি মিজানুরনা হায়খি।

রাসরাজগী পোষ্ট অদুগী মায়োক্তা হবিগঞ্জ দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরস অমসুং নসিনগরদা প্রোটেষ্ট কয়া পাঙথোকখি। হবিগঞ্জগী মাধাবপুরদা দেমোন্সট্রেসন কয়াসু পাঙথোকখি।

ব্রহমনবারিয়া প্রেস ক্লবকী প্রেমিসিজদা ঙরাং মদ্রাসা মহৈরোয়শিংগী গ্রুপ অমনসু দেমোন্সট্রেসন পাঙথোকখি অমসুং মীওই চা কয়ানসু সরাইল-নসিনগর লাখোই রোড থিংজিনখি।


## মায় পাক্না মখাগী লায়োংশিং অসি “লায়েংজরি”



১। **Piles** : নুংশঙ, কল্লাই, পোম্বা, ঈ তাবা, শৌজ-নাম্থবা, খ্বাঙ নাবা অমদি নুংশঙগা মরী লৈনবা অনাবশিং।
২। **Diabeties** : ঈশিং পুকচৎকী অনাবশিং।
৩। **Sinus** : হকথি-খনবদা ৱাবা, কোক চিকপা, কোক লুম্বা অমদি মসিগা মরী লৈনবা অনাবশিং।

*লায়েংফম ঃ* **Haffiz Hatta JNIMS Road.**

*লায়েংজরিবা :*
**Kabiraj Md. Nasir Khan**
**# : 9615033039, 7085385283**

HL-B/3412/21/10-20/11

HL-B/3329/20/09-19/10






## /EMPLOYMENT NEWS

### President's Secretariat – Rashtrapati Sachivalaya Recruitment 2017 – 15 Multi Tasking Staff Vacancy – Last Date 25 November 2016

**Rashtrapati Sachivalaya Recruitment 2017 – 2016**
President's Secretariat invites Application for the post of 15 Multi Tasking Staff by direct recruitment in President's Secretariat, Rashtrapati Bhavan, New Delhi. Apply Online before 25 November 2016.

**Job Details :**
Post Name : Multi Tasking Staff
No of Vacancy : 15 Posts
Pay Scale : Rs. 18600-56900/-

**Eligibility Criteria Rashtrapati Sachivalaya Recruitment :**
Educational Qualification : Matriculation Pass or equivalent from a recognized board.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 27 years

**Job Location : New Delhi**

**Selection Process :** Selection will be based on Written Test .

**How to Apply Rashtrapati Sachivalaya Vacancy :** Interested candidates may apply Online Through the website http://rashtrapatisachivalaya.gov.in/ from 05.11.2016 to 25.11.2016. .

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 05.11.2016
Last Date for Submission of Online Application : 25.11.2016

***Important Links :***
*Detail Advertisement & Application Form Link : http://www.rashtrapatisachivalaya.gov.in/sites/default/files/MultiTasking.pdf*
***Apply Online :** http://www.rashtrapatisachivalaya.gov.in/filling-vacancies-multi-tasking-staff-presidents-secretariat-rashtrapati-bhavan-new-delhi*

### Northern Coalfields Limited – NCL Recruitment 2017 – 265 Junior Overman & Mining Sirdar Vacancy – Last Date 26 November 2016

**NCL Recruitment 2017 – 2016**
Northern Coalfields Limited invites Application for the post of 265 Jr. Overman and Mining Sirdar. Apply before 26 November 2016.

**Job Details :**
Post Name : Jr. Overman
No. of Vacancy : 197 Posts
Pay Scale : Rs.19035/- (Per Month)
Post Name : Mining Sirdar
No. of Vacancy : 68 Posts
Pay Scale : Rs.19035/- (Per Month)

**Eligibility Criteria for NCL Recruitment :**
Educational Qualification :
Jr. Overman : Candidate should have three year Diploma in Mining Engineering from a recognised university. And Valid Overman's certificate of competency from DGMS under Coal Mines Regulation 1957 or any other certificate in Mining which entitle to work as Overman as per Coal Mines Regulation 1957.
Mining Sirdar : Candidate should have Matriculate or equivalent exam from any recognized Board. And Valid Mining Sirdar certificate of competency from DGMS under Coal Mines Regulation1957 or any other certificate in Mining which entitle to work as Mining Sirdar as per Coal Mines Regulation 1957.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 35 Year

**Job Location : Singrauli (Madhya Pradesh)**

**How to Apply NCL Vacancy :** Interested candidates may apply in Prescribed Application form along with self-attested photocopies of educational/ experience certificates, two passport size photograph send to Director of Northern Coalfields Limited Singrauli, 486889 (M.P).

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission 0f Application : 26.11.2016

***Important Links :***
*Detail Advertisement Link : http://nclcil.in/recruitment/recruitment_Hindi.pdf*

### Software Technology Parks of India – STPI Recruitment 2017 – 13 Administrative Officer, Member Technical Support Staff & Assistant Vacancy – Last Date 27 November 2016

**STPI Recruitment 2017 – 2016**
Software Technology Parks of India invites applications for the post of 13 Administrative Officer, Member Technical Support Staff & Assistant by direct recruitment/Transfer basis. Apply Online before 27 November 2016.
Advt. No. : 1/2016-STPI-HYDERABAD

**Job Details :**
Post Name : Administrative Officer
No. of Vacancy : 01 Post
Pay Scale : Rs.9300-34800/-
Grade Pay : Rs.4600/-
Post Name : Member Technical Support Staff
No. of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs.9300-34800/-
Grade Pay : Rs.4200/-
Post Name : Assistant
No. of Vacancy : 08 Posts
Pay Scale : Rs.9300-34800/-
Grade Pay : Rs.4200/-

**Eligibility Criteria for STPI Recruitment :**
Educational Qualification :
For Assistant/Administrative Officer : Graduate in any discipline from a recognized University or Post Graduate in any discipline from a recognized University.
For Member Technical Support Staff : Three years Diploma in Electronics/Computer Science/Information Technology/Telecommunication or Bachelor in Electronics/Computer Science/Computer Application/IT or possessing DOEACC “A” Level Certificate with Two years experience.
Nationality : Indian

**Age Limit :**
For Administrative Officer : 40 years
For Assistant/ Member Technical Support Staff : 36 years

**Job Location : Hyderabad (Andhra Pradesh)**

**Application Fee :** Candidate have to pay Rs.300/- through Demand Draft In favour of ‘Software Technology Parks of India’, payable at Hyderabad. No fee is required to be paid by candidates belonging to SC/ST/PH category. Female candidates are also exempted from payment of fee.

**How to Apply STPI Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through the website http://www.hyd.stpi.in from 29.10.2016 to 27.11.2016 candidates may also send Hard copy of Online application along with duly attested copies of certificates (uploaded on the website) relating to qualification(s), date of birth, experience certificate(s), caste certificate etc. to Senior Administrative Officer, Software Technology Parks of India, (6Q3, 6th Floor, Cyber Towers, Hitec City, Madhapur, Hyderabad – 500081) on or before 12.12.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 29.10.2016
Last Date for Submission of Online Application : 27.11.2016
Last Date of Receipt of duly signed-in Application : 12.12.2016

***Important Links :***
*Detail Advertisement Link : http://www.hyd.stpi.in/recruitment/EMP_Notif_1_2016.pdf*
***Apply Online :** https://recruitment.stpi.in/hyd*